# হান্না থেংনখিদ্রিবা মখলগী ভাইরেল ফিভর পাকিস্টানদা নাবা থেংনখ্রে : রিপোর্ট



করাচি, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
পাকিস্টানগী করাচিদা হান্না অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা ভাইরেল ফিভর মখল অমনা মীয়ামদা নাবা থেংনখিবগা লোয়ননা নৌনা শন্দোরক্লিবা ফিভর মখল অসিনা হৌজিকমক্কী ওইনদি মী শিহনবগী পাউ লৈত্রি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, করাচিদা মীওই খরা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা দেঙ্গুনা নাবা থেংনখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তসু মীওই খরা মশা নুংঙাইরক্তবদগী হোস্পিটালদা চত্তুনা দেঙ্গুগী টেষ্ট তৌখি। অদুবু দেঙ্গু নেগেটিব ওইরগা অনৌবা মখলগী ফিভর অসি নারম্বা থেংনখিবনি।

অনৌবা মখলগী ভাইরেল ফিভর অসিনা নাহল্লবা মীওইশিং অদু গভর্নমেন্ট হোস্পিটাল অমদা আইসোলেট তৌদুনা থম্লি। মখোয়গী ফিভম হৌজিকমক্কী ওইনদি খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রি। অদুবু মসিদগী চেকশিনবদি মথৌ তারি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দো য়ুনিভর্সিটি ওফ হেল্থ সাইন্সকী প্রোফেসার সহিদ খাননা ফোঙদোকখিবদা, করাচিদা দেঙ্গু ভাইরসকা মান্নবা পেথোজেন মখল অমা শন্দোরক্লে হায়বসি কনফার্ম তৌবা ঙমখ্রে। নৌনা শন্দোরক্লিবা অসি দেঙ্গুনা থোকহনবা লাইহৌগা মান্নরবসু মসি দেঙ্গুনা থোকহনবা ফিভরদি ওইদ্রি। ফিভর মখল অসিনা নারবা মীওইশিং ট্রিটমেন্ট চথবদা হৌজিক শিজিন্নরিবা হিদাকশিং অসি দেঙ্গু ফিভরনা নাহনবা মীওইশিংদা শিজিন্নবা হিদাকশিংগা চপ মান্নে।

অমরোমদা মোলেক্যুলর সাইন্টিষ্ট ডা.মুহমদ জোহেবনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা লোক লাইহৌ অমদি মশা শাগৎপগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মমা মপা ওইবা কয়া তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লাক্লি। নৌনা থেংনখ্রবা লাইহৌ মখল অসিনা হৌজিক্কী ওইনদি মীশি মীনা থোকহন্দ্রবসু মসিগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা মখা তানা শন্দোরক্তনবা মরী লৈনবশিংনা চেশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

পনবা য়াবদি করাচিদা হৌখিবা থা খরা অসিদা দেঙ্গুগী কেস ৪৫ থেংনখ্রে। অদুগা কাঙনা চিকপদগী মীওই ৪,২৯২ দা লাইহৌ তৌবা অমদি হকচাং চীকপা নাবগী থৌদোকশিং থেংনখি।

# চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা এমাজোন ফোরেষ্টকী শরুক খ্বাইদগী হেন্না মাঙহন তাকহনখি

ব্রাসলিয়া, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
ব্রাজিলদা লৈরিবা অচৌ অচৌবা কম্পনিশিংনা এমাজোন রেইন ফোরেষ্টকী শরুকশিং পাক শন্না মাঙহনবা অমদি উ লল্লোনবা মীওইশিংনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা উ পাম্বীশিং য়াল্লুৎলিবা অদু থিংনবগীদমক মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লখ্রবসু চহী অসিগী ওক্টোবর থানা উমং কোকথোকপগী চাং খ্বাইদগী হেন্না ৱাংখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ব্রাজিলিয়ান গভর্নমেন্ট এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখিবদা, ওক্টোবর থা খক্তদা ব্রাজিলদা এমাজোন রেন ফোরেষ্টকী শরুক ৮৭৭ ইসক্কার কিলোমিটরগী চাংদা মাঙহনখি। হায়রিবা অসি লৈবাক অদুগী সিটি রিও দি জানৈরোগী শরুক তঙ্খায় অমা হেনবগী চাংনি।

ব্রাজিলগী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর স্পেস রিছর্সনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তগী হৌরগা লৈবাক অদুদা উমং কোকথোক্লিবা অদুগী মতাংদা নৈনদুনা লাকখিবনি। ইন্সটিট্যুট অসিনা থিগৎখিবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না, মমাং চহীগা য়েংনরুবদা হন্দক চহীনা উমং কোকথোকপগী চাং অসি শরুক মঙাগী চাংদা হেল্লি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অদুদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা এমাজোন রেন ফোরেষ্টকী শরুক্তা মাইনিংগী থবক তৌরিবা অমদি লৌউ শিংউবগী থবক তৌরিবশিং অদু থিংনবা মরী লৈনবশিং থবক পায়খৎলগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

লৈঙাক্লা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু মমাং চহীগা য়েংনরুবদা উমং কোকথোকপগী চাং অসি হন্দক্কী চহীনা খঙহেন হেনগৎলকখিবনি। চহী অসিগী ওইনা এমাজোন রেন ফোরেষ্টকী শরুক ইসক্কার কিলোমিটর ৭,৮৮০ মাঙহন তাকহনখ্রে। অদুবু চহী অসি মপুঙ ফানা লোয়গদবা থা অনীরোম ৱাৎলি। মরম অদুনা উমং কোকথোকপগী চাং অসি হেনগৎলকপা য়ানা লৈ হায়রি।

হন্দক্তা গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা সী ও পি ২৬ সম্মিতটা শরুক য়াখিবা লৈবকশিংগী মনুংদা ব্রাজিলসু অমনি। মালেমগী লৈবাকশিংনা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা উমং কোকথোকপগী থবক মপুঙ ফানা লেপ্পা হায়বা ৱাফমদা ব্রাজিলনসু মপুঙ ফানা শৌগৎখিবনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ব্রাজিলদা উমং কোকথোকপগী থবক অসি থিংবা ঙমগদ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইনরক্লি।

ব্রাজিলগী প্রাইম মিনিষ্টর বোলসোনরোনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, উমং কোকথোকপা থিংনবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপা হৌরগনি। ইল্লিগেল ওইবা মওংদা উমং কোকথোকপগী থবক চথরিবশিং মখা তানা তৌদনবা খঙহনখ্রে। মসিগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি অমদি কম্পনিনা চথবা ওসরম্লগনা কম্পনি অদু থিংজিনগনি হায়খ্রে।



# ইটালিনা য়ুরোপতা ফায়র ফাইটর প্লেনশিং মতেং পাংনবা হায়জখ্রে

মিলন, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
ইটালিগী মনুং চনবা সার্দিনিয়া আইলেন্দদা অকনবা মওংদা চাক্লিবা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনবদা য়ুরোপিয়ন ষ্টেটশিংনা ফায়র ফাইটর এয়রক্রাফটশিং মতেং পাংনবগীদমক ইটালিনা হায়জখ্রে।

ইটালিগী ফোরেন মিনিষ্টর লুইগি দি মাইয়োনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী সিভিল প্রোটেক্সন ওথোরিটিনা য়ুরোপিয়ন ষ্টেটশিংদা তেংবাং পীনবগীদমক হায়জখিবনি। মাংজৌননা তেংবাং খরা পীরকপা লৈখ্রে। ফ্রান্সতগী এয়র ক্রাফট অনীসু মৈ চাকপা অদু মুথৎপদা মতেং পাংনবগীদমক ইটালি তম্না পাইরকপা হৌখ্রে।

ওরিষ্টানো প্রোভিন্সতগী অকনবা মৈ অদু চাকপা হৌরকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মফমশিংদসু খঙহৌদনা শন্দোরকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহৈ মরোং থাবা মফম কয়া মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা শা কয়া মৈনা চাক্তুনা শিহনখ্রে। আইলেন্দ অদুগী মনাক নক্লা লৈবা য়ুম খরা থৌদোক অদুদা অমাং অতা থোকহনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মৈ চাকপগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীশি মীনা থোকহনবগী পাউদি লৈত্রি। অদুমওইনমক মীওই ৪০০ রোম মশা মশাগী ময়ুম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা সিভিল প্রোটেক্সন ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ওরিষ্টানো এরিয়াদা চাক্লিবা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনবদা কনাদিয়ান এয়রক্রাফট ৭, এমফিবিয়স প্লেনশিং শীজিন্নরি। ওরিষ্টানোগী খা থংবা শরুক্তা মৈ অদুনা কা হেন্না চৈথেং পীবগী রিপোর্ট লাকখ্রে।

# য়ু এসকী জুদা লৈবা অচৌবা মখলগী হৌদোং ৮ দা কোভিদ পোজিটিব ওইবা থেংনরে

ৱাশিংটন, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা য়ুনাইটেদ কিংদমদা য়ুমদা য়োকপা হূই অমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা থেংনখ্রবা মতুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈবা জু অমদা থম্বা অচৌবা মখলগী হৌদোং ৮ দা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরমখ্রবা অচৌবা মখলগী হৌদোংশিং অদুগী মনুংদা অফ্রিকান লাইওন অনী, স্নো লিওপার্দ ২, অমুর টাইগর ১, পুমা ১ অমসুং জাগুৱার ২ য়াওরি। হায়রিবা শাশিং অসিগী হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনবা ওইদ্রি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা খরনা লোক খূবা অদুগা খরানা মনপ মতিন তাবগী খুদমদি থেংনরি।



হৌদোং মখলশিং অসিখক্তা নত্তনা জু অসিদা লৈবা অতোপ্পা মখলগী শা খরদসু কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রে। মতৌ করম্না শাশিং অসিদা লায়চৎ মখল অসি শন্দোরকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। জু ওথোরিটিনসু হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মখা তানা লায়চৎ মখল অসি শন্দোরক্তনবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা হিদাকশিং কাপ্পা হৌখ্রে হায়রি।

# কেমিকেল সাইট পোকখায়বদা ১৬ শোকখ্রে

ফ্রেঙ্কফর্ট, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
জর্মনিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা লেভরকসেনদা লৈবা কেমিকেল পার্ক অমা পোকখায়রকপগী থৌদোক অমদা মীওই ১৬ অশোক অপন নংখিবগা লোয়ননা মীওই ৫ থিবা ফংদনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মনাক নক্লা লৈরিবা মীওইশিং মতম খরগী ওইনা য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈনবা ওফিসলশিংনা খঙহল্লক্লি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা বিল্ডিং অদুদগী পাইথোরক্লিবা অমুবা মচুগী য়াল্লবা মৈখুশিং অদুনা হকচাংদা অশোকপা পীহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈনবা খঙহনখিবনি।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৯.৪০ তারকপা মতমদা থোকখিবনি। মতৌ করম্না কেমিকেল সাইট অদু পোকখায়রখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না কেমিকেল সাইট চেম্পার্ককী ওপরেটর করেন্টনানা ফোঙদোরক্লি। জর্মনিগী এন আই এন এনসু অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিংদা অকনবা ৱার্নিং পীবগী মেসেজশিং থাখিবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ য়ুমগী থোঙ থোঙনাওশিং লোনশিন্দুনা লৈনবা অমদি খুদোংথিবা মতমদা ইমজেন্সি নম্বরদা খুদক্তা কোল তৌরক্নবা আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা ওপরেটর করেন্তানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চেম্পার্ককী লেন্দফিল্ড অদু কেমিকেল সাইট অদুগীদি য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। মফম অদুদা কেমিকেল কম্পনিশিং মরু ওইনা বেয়র, লেন্দসেক অমসুং ইভোনিক ইন্দষ্ট্রিশিং লৈরিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ১৬ অশোক অপন নংখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৪ গী ফীভমদি ক্রিটিকেল ওইরি। অহানবগী ওইনা ইমপ্লোয়ীশিং অশোক অপন নংখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৫ মাঙখিবা অদুগী মতাংদা খঙবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক ইমপ্লোয়ি লিষ্ট চেক তৌরুবা মতমদা মীওই ৫ হৌজিক হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরি হায়বা খঙলকখিবনি।

সিটি ওফিসল রিপোর্ট মতুং ইন্নদি কেমিকেল সাইট অদুগী সোলভেন ষ্টোরেজ টেঙ্ক অদুদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবগা লোয়ননা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক হেক থোকখিবগা মনাক নকপদা লৈবা ফায়র ফাইটরশিংনা খুদক্তা চঙশিন্দুনা মৈ কনবগী থবক চথখি। মদুগী মতুং মশীং য়াম্লবা পুলিস, ফায়র ফাইটরশিং অমদি রেস্ক্যু ক্রুশিং লাক্তুনা মৈ কনবগী থবক অদু চথখিবনি।

# অজেরি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা লান্মী ৩ শিরে, ২ শোক্লে : দিফেন্স মিনিষ্ট্রি

য়েরেভান, নভেম্বর ১৩(এজেন্সী) :
অর্মেনিয়া অমসুং অজেরি লৈবাক অনীগী ঙমখৈগী শরুক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অমদা খূৎ থোক্নরকপদগী অর্মেনিয়াগী লান্মী ৩ শিখিবগা লোয়ননা অনী অশোক অপন নংখ্রে হায়না অর্মেনিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না থৌদোক অদু নাগোরনো-কারাবাখ রিজনদা থোকখিবনি। মমাং চহীদা নাকল অনীগী মরক্তা চয়োল ৬ শাংনা লাল তৌনখ্রবা মতুং ঙরাংগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অজেরিগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা কেল বজার রিজনদগী অজেরি ফোর্সশিংনা অর্মেনিয়া ঙমখৈগী শরুক্তা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংদা অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা চৈবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং অর্মেনিয়াগী ঙমখৈ শরুক্তা ইলিগেল ওইবা মওংদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা ৱাহৈগী ওইবা খৎনা চৈনবশিং থোক্লিঙৈ মরক্তগী খঙহৌদনা অজেরি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী অর্মেনিয়াগী লান্মী ৩ শিখিবগা লোয়ননা ২ অশোক অপন নংখিবনি। খুদক্তা অর্মেনিয়া লান্মীশিংনসু অজেরি ফোর্সশিং তম্না নোংমৈ কাপশিনখি। পুং ৪ রোম খূৎ থোক্নরবা মতুং নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক লেপখিবনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অজেরি ফোর্সশিংগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা অজেরবাইজানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবদা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখিবা অদু অর্মেনিয়া ফোর্সশিংনা হান্না কেল বজারদা লৈবা অজেরবাইজানি পোষ্টতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী থোকখিবনি। অর্মেনি ফোর্সনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অদুদা অর্জেরি লান্মী ৪ অশোক অপন নংখি হায়রি।

রসিয়ানা পুখৎলকখিবা ৱাফম অমগী মতুং ইন্না অজেরবাইজান অমসুং অর্মেনিয়ান ফোর্স অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখিবনি। অদুমওইনমক সিজফায়রগী চৎনা কাঙলোন ৱাংমদা অর্মেনি ফোর্সশিংনা লেপ্পা লৈতনা মোটারশিং কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরকপগী থৌদোকশিং চঠৈ হায়রি।

# লৈঙাক্কী থৌওংশিং য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙচৎ চৎখ্রে

সিদনি, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগা মরী লৈননা অনৌবা চৎন-কাঙলোন কয়া শেমখিবা অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মদুগী মায়োক্তা মীওই লিশিং কয়ানা ঙসি মেলবোর্নদা য়ানীংদবগী খোঙচৎ চৎখ্রে হায়না লোকল মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা হৌখিবা থা মরিরোম অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট দেল্টানা অকনবা মওংদা চৈথেং পীরকপদগী লৈবাক অদুগী মরু ওইবা সিটিশিং য়াওনা অয়াম্বা মফম খূদিংমক্তা লোকদাওন থমজিনখিবনি। মতম শাংনা লোকদাওন থমজিনখিবা অদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবা মতুং হান্না থম্লম্বা অথিংবশিং অদু লৌথোক্তুনা অনৌবা চৎন-কাঙলোনশিং শেম্লকখিবনি।

নৌনা শেমখ্রবা চৎন-কাঙলোনশিং অদুগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা চহী ১৬কী মথক্তা লৈবা মীপূম খূদিংমক্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি নৎত্রবদি ফাষ্ট ফূদশিং অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চঙবা য়ারোই হায়বা ৱাফম য়াওরি।

# ওথোরিটিনা সুনামিগী ৱার্নিং ইশ্যু তৌখ্রে

ৱাশিংটন, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা অলাসকান পেনিনসুলাদা মেগনিচুইদ ৮.২ য়ৌনা য়ুহা হাখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা সুনামি ৱার্নিং ইশ্যু তৌখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট জিওলোজিকেল সর্ভেনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা পেরিভিল টাউনদগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ৯১ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা ইপিসেন্তর ওইরগা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অলাসকাগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি এনকোরেকতগী মাইল ৫০০ রোম চৎলগা লৈবা অপিকপা খুঙ্গং পেরিভিলদা নুমিদাংগী পুং ১০.১৫ তারকপা মতমদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং য়ু এস গভর্ণমেন্টকী নেসনল সুনামি ৱার্নিং সেন্তরনা সাউথ অলাসকা অমসুং অলাসকান পেনিনসুলাদা সুনামি লাকপা য়াবগী চেকশিন ৱা থমখ্রে। পেনিনসুলা অদুদা লৈবা মফমশিংদা সুনামি ৱার্নিংগী সাইরেনশিং খোঙখিবগা লোয়ননা মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিং য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা অমদি শাফগদবা মফমশিংদা খুদক্কী ওইনা চত্তুনা লৈনবা খঙহনখ্রে হায়রি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT (RED)
4th FLOOR, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T LINE, NORTH AOC, IMPHAL

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 12th November, 2021

No. 1/1/2021-RED/307 : In pursuance of the Government of Manipur letter No. CELL-307/1/2021-RD and PR-RD & PR dated 29th October, 2021 for approval of recruitment of 58 (Fifty Eight) Section Officer-I (Civil) in Rural Engineering Department (RED) on contract basis as approved by the Finance Department Government of Manipur vide U.O. No. 143/2021-2022/FD (PIC) dtd. 16/10/2021 and the Department of Personnel's U.O No. 8/2021-2022/DFP dated the 22nd Oct., 2021 , applications in prescribed format are invited from intending candidates for appointment of Section Officer –I (Civil ) on contract basis for 1 (one) year which may be extended from time to time.

| Sl | Name of post | No. of Posts | Essential Qualification | Remuneration |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Section Officer-I (Civil) | No. of Post : 58 (Fifty Eight)<br>i) Unreserved -31<br>ii) Schedule Tribe - 17<br>iii) OBC (Meitei) - 07<br>iv) OBC(Meitei Pangal) - 02<br>v)Scheduled Caste - 01<br>Total - 58 | Minimum eligibility criteria shall be Degree/ Diploma in Civil Engineering from a Government recognized Institute. | Rs.17,700/-P.m |
| | | Total -58 (Fifty Eight) | | |

**Terms and Conditions:**
1) Mode of selection: Through written examination.
2) Total marks of written test will be 100 as per break up – General English-25 Marks , General Knowledge -25 Marks & Subject specific -50 Marks
3) Age Limit: A candidate must have attained the age of 18 years and must not have attained the age of 38(Thirty Eight) yrs on 12th November, 2021. 5yrs. relax able for ST/SC and 3 yrs relax able to OBC
4) The application forms may be availabled at the Office of Chief Engineer-RED & downloaded from website www.msrrda.org
5) Tentative Timeline :

| | | |
|---|---|---|
| 1 | Date of Notification | 12th November, 2021 |
| 2 | Last date of Registration /Submission of Application | 27th November,2021 |
| 3 | Issue of Admit Card | To be notified later |
| 4 | Date of Written Examination | To be notified later |

6) Dully filled in application form along with the required self attested copies of educational documents from matriculation and onwards/certificates of Caste/Tribe/ OBC / Age proof certificate & 4 (Four) Passport size photograph should submit to the undersigned during office hour on or before 27th November,2021. Any application forms received after the prescribed last date shall not be entertained.
7) Candidates are required to pay a fee of Rs. 500/(Rupees Five Hundred) only for General &OBC candidates and Rs. 300/ (Three hundred)only for ST& SC candidates at the times of submission of the form .
8) No. of post may be increased or decreased.

Sd/- Pantishing Thaimei
Chief Engineer, RED

HL-B/7279/13,14,15


# খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওই অমা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ৱেষ্ট বেঙ্ক, নভেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়োক্তা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা থবক মফমদগী ময়ুম তান্না হল্লকখিবা পেলিষ্টিনিয়ন অমা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং মীহাৎ অদুগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওই অমসু ইজরেলি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।



শগোলশেন নুমিত্তা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগীদমক ঙরাং ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চনবা বৈতাদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম পুনখি। অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকখিবা পেন্দবনা থল্লবা মীওইশিং অদুনা অমুক হন্না ঈহৌ শাগৎলক্তুনা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

খোঙজং চঙশিনখিবা মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌবগী মিংদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাইফ রাউন্দ কয়া পেলিষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টরশিং তম্না কাপখি। মদুদা মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা শোকট খালিদ মকোক অমসুং পুককী শরুক্তা নোংমৈনা পানবদগী শিখিবনি হায়রি। ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মীওই অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা শরুক য়ানবা লাকখিবা মীওই কয়া অদুবু তানখায়নবা হোৎনবদা ইজরেলি লান্মীশিংনা টিয়ার গ্যাস সেল, রব্বর কোটেদ বুলেটশিং অমদি ষ্টন গ্রেনেদ কয়া কাপখি। অমরোমদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু ইজরেলি লান্মীশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী বৈট উমরদা মপাগা লোয়ননা কারদা লাকখিবা মশাগী চহী ১২ খক ঙাইরিবা অঙাং অমসু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

চহী নৌরিবা মহমদ অল-অলামি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবুসু পেলিষ্টিনিয়ন কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। অমরোমদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না চহী নৌরিবা পেলিষ্টিনিয়ন অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথরি। মফমদুদা চিংনবা য়াবা মীওই খরা চথোক চৎশিন তৌবগী পাউ ফংলবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মথৌ তৌদুনা লৈখিবনি।